ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯃꯦ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯸ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, মে ০৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৮শুবা মশীং

# ক্বালিটি এদ্যুকেসন অমসুং এন ঈ পি

## ফীভম ফগৎলক্লিরা নৎত্রগা গুরুং চৎলিরা

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মহৈরোয়শিংবু তুংগী লৈবাক্কী অচঙবা অমসুং অফবা য়ুম্বী ওইহন্নবনি হায়দুনা 'ক্বালিটি এদ্যুকেসন' হায়বা ৱাহৈ অনীসি চিন্দোন লৈতোন্দা পল্লক্লিবসি কুইরে। মণিপুর লৈঙাকখক্তা নত্তনা লৈবাকসিগী মপু ওইরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফাওবা ৱাফমসি তোয়না অমসুং তৎতনা পল্লি। মসিগীদমক মথৌ তাবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিংনি হায়বা থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা লৌখৎলি। অদুবু এদ্যুকেসন সেক্টরগী ফংনীংলিবা পান্দম অমসুং ওইহন্নীংলিবা মশক অদুদি ফংবা, য়ৌবা অমদি ওইহনবা ইঙম ঙমদবদৌনা তৌরি। মসিবু মহৈরোয়শিংবু তুংগী অফবা হ্যুমেন কেপিটেল ওইহনগনি থৌরাংলিবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থৌরাং-থৌশিলদা করি-করম্বা খুরৌ থাংবদগীনো নৎত্রগা অশোয়বা অরানবশিং য়াওবদগীরা? মতম অমদা 'এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি' হায়দুনা অদুম্মক খঙনদুনা লাকখিবদু 'হ্যুমেন রিসোর্স দিভেলপমেন্ট মিনিষ্ট্রি' হায়দুনা হেক্তা ওন্থোকখি। হৌজিক্তা অমুক হান্নগী এদ্যুকেসন মিনিষ্ট্রি হায়বদুদা শকফম অমুক হঞ্জিলহল্লকই। মসিনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ৱানি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকীসু অদুমঙাই হন্দক্তা লিংলিবা অনৌবা লৈঙাকসিগী মিনিষ্টরশিংনা পুগদবা দিপার্টমেন্ট থৌগাইশিং য়েন্থোকপদা মিনিষ্টর অমদা পীরম্বা 'এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট' অমদা অমুক হেক্তা শিন্দোক্তুনা খূৎশিন্নে। হকথেংনরক্লিবা থৌওংশিংসিদি চীন্দা 'ক্বালিটি এদ্যুকেসন' হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা হৌজিক 'ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি' (এন ঈ পি) ফাওবা হৌদোক্তুনা মপূং ফানা চৎনহন্নবা অকনবা থবকশিং পায়খৎলক্লগসু ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এদ্যুকেসনবু থম্মোয় শেংনা লূম্না লৌরিব্রা নৎত্রগা লৌদব্রা হায়দুনা হংবা য়াবগী ৱাহংশিং হেক্তা চোঙথোরকই। অদুবু লৈঙাক অনীমক্না এদ্যুকেসন সেক্টরবু হকচিন্না-লূম্না লৌরগদি মসিগী মমিং-মথা ফাওবা ঙাইহাক লৈতনা হোংদোক হোংজিন তৌবা চুমদে হায়নীংই।

চৈরকসিদা এমসু, এম এস এফ অমসুং দেসাম্নচিংবা মহৈরোয়শিংগী লূপ ৬কী মায়কৈদগী এপ্রিল ২৯, ২০২২দা ফোঙদোরকখ্রিবা ৱাফমশিং অসিবু করিনো? কে এস এ, সুক অমসুং এইমসসু য়াওবা লূপশিং অসিনা হায়রিবনা লমশাংগী প্রজা হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং খোঙহাম্পাৎ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অনীগী সাইন্স সবজেক্টশিংগী লৈফম থোকপা ইক্বিপমেন্টশিং শুনা লৈরমদ্রে। ওজা মশীং ৱাৎপদগী অতোপ্পা মীওইশিংবু ওজা ওইনা নেক্লগা মহৈরোয়শিংবু মহৈ-মশীন তমহনবীরম্লে হায়বনি। থৌদোকশিংসি মহৈরোয় লূপ ৬না মহৈশঙশিং অসিগী ফীভমশিং য়েংশিল্লুবদা হকথেংননা থেংনরকপনি হায়রি। মসিনা অশেংবা ওইরগদি চহী খরগী মমাঙদগী 'ক্বালিটি এদ্যুকেসন' হায়দুনা লাকপগী মথক্তা ন্যু এদ্যুকেসন পোলিসি ফাওবা হৌদোক্তুনা চৎনহনবা হৌরক্লবা লৈবাকসিগী ৱাফম নত্তনা মণিপুরগী মহৈশঙশিংগী মরক্তবু হৌজিকসু অসিগুম্বা ফীভমসি মায়োক্নহনফম থোক্লিব্রা হায়বনি। মসি ওইরগদি ক্বালিটি এদ্যুকেসনগী ৱাফম অমসুং এন ঈ পিগা হায়রিবশিংসিনা লৈবাকসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টমবু ফগৎহল্লক্লিব্রা নৎত্রগা গুরুং চৎহল্লিব্রা হায়বসি হংদবা য়ারক্তবনি। হোয়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরগা চহী অনী হেন্না মহৈরোয়শিং লাইরিক তম্লুদ্রে। মহৈশঙশিং থোঙ লোল্লুরে। মসিদগী তোঙান তোঙানবা ক্লাস কয়াগী মহৈরোয়শিং থংনবা মখোয়গী হায়র ক্লাসশিংদা প্রমোসন পীখিবদগী হায় স্কুল খরা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবনি। তৌগদবনি, তৌফম থোকই। অদুবু হায় স্কুলশিং হায়র সেকেন্দরিগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌরক্লে হায়দুনা মমিংখক্তগী ওইনা চেদা অপগ্রেদ তৌবনদি ক্বালিটি এদ্যুকেসন হায়রিবদু পুরকপা ঙম্লোই। অপগ্রেদ তৌরকপগী হৌনবা লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, ওজা মশীং শুনা লৈহনগদবনি। কুরাংবান্দা ফজহনবা মনুংদনা কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবদৌনা হোত্রোং-হোহনবগী ফীভমদুদি তৌনু। থৌওংসি তুংগী লৈবাকসিগী হ্যুমেন কেপিটেল ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংগী থিনগৎলক্লিবা ময়োলবু চিকথৎপা তমথীরবা তীলনি হায়দুনা লৌগনি। তুংগী মীরোলনসু ঙাকপীয়ু হায়বা য়ারক্কদবা মান্দে। লৈবাকসিগী ওইনা তৌফম থোকপা থবক ময়াম লৈরম্বা য়াই। অদুবু মদুগী মনুংদা মরু ওইবা অমনি হায়দুনা খল্লগা পূক্নিং চঙনা তৌ। অৱাৎ-অপা লৈহনগনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪১

১) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মনুংদগী ৱারী অনীখক, **"য়াম্না হকচিনবা নুংশি নুংওনগী ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি। অনীমক পাখঙ লৈশাবী, নুংশিনবা ৱানা থুংনবা নৎত্রগা কায়নবা নত্তে। য়ূম পাল্লবা, নুংশিননা লৈরবা তুংদা কায়নবা অমসুং অঙকপা থৌনাগা লোয়ননা হঞ্জিন্নবা ঙাক্তনি।"** ৱারী অনীসি মমিংসু ওইরিবা লাইরিক্তু করিনো?

২) **"মিৎয়েং অমা"** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৩) **"ত্যাগ পত্র"** হায়বা ওরিজিনেল লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"লীগী লীশাগা শন্নবা/খূৎনা পায়বগুম লৈরিবা/চাংজৌ নীঙজোন্দে তাখ্রবা/গম্ভীরা তুরেল মহাক্কী/অমুবা লাইজ চরৈবু/হাইদোক্লগা কুমথরকপা/নঙনা লম্ফৈ চৎলুবদি/য়াম্না লুনা থোক্নরনি।/মহাও খঙলবা কনানা/খ্বাঙদৈ চরৈ নাম্থখ্রবী/নুজা মাবু হুন্দোক্তুনা/খোঙশানবা ঙম্বা য়াওবগে?"*** শৈরেং মতেক অসি মহাকবি কালিদাসকী "মেঘদুত" হায়বদুদগী মণিপুরী অনুবাদতগীনি। অনুবাদ তৌরিবসি কনানো?

৫) ১৯৪৯ ইং নবেম্বরদা অহানবা নম্বা **"ইখৌ-লাংবা"** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরদা ঈকং অমসুং ঈচাও

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭০১**

**জিতেন নামৈরাকপম**



ৱারী মতেক অমা নীংশিংলকই। ঈকং থাগী মতমনি। ঈকং থাগী ঈশিং ফংনদ্রবা মতম ওইরগসু ভি আই পি কাঙবুগীদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ঈশিং লেপ্তুনা পীরি। মৈ, ঈশিং ৱাৎহনবা য়াবা নত্তে। অদুবু মীচম মীয়ামগীদি ৱাকৎফম থোকপা ৱাকৎপা লাকই। হায়রৈ - "সার, টৌটি তাদ্রে, ঈশিং ফংদ্রে।" মরী লৈনবা ঈশিং মন্ত্রিনা নোংথক্তা য়েংখৎলগা খুদোম্বীনা থিল্লগা খুম্লকই "করিম ৱারুরনু তু! নোং তারক্লনি।"

হায়বগা তৌরকপগা য়াম্না চান্নরে। হৌজিক নোং ফজনা শেংথরক্লে। ঈশিং মন্ত্রি, লোকল এম এল এগী মায় ঙাকপীরকপা য়ারে। রেন্নি সিজন লাক্লে। প্রি-মোন্সুন লানশিল্লক্তুনা মোন্সুন নোংজুথা য়ৌরক্লে। খা নোংচুপকী বে ওফ বেঙ্গলদগী হৌরকপা নোংলিক, ঈশিং মনিল পুরকপা নোংজুনা মণিপুর পূম্বদা হৈথরগনি। লৌমীশিংসু হরাউ-মোমোন মীনোক নোকচরগনি। "ইন্দিয়ন ফার্মরস আর গেমব্লিং ৱিথ দ মোন্সুন", ইন্দিয়া-সব-কন্টিনেন্ট টোপোগ্রাফিগী, ফিজিকেল জিওগ্রাফিগী মনুং চন্না লৈরিবা মণিপুরগী লৌমীশিংসু এগ্রিকলচরেল, হোর্টিকলচরেল, পিসি কলচরেল, সেরিকলচরেলগী লৌমী-শিন্মীশিংগা ক্লাইমেটোলোজিগা জ্বার শান্নবা অসিদা য়াওরি হায়বা তাই। অদুবু কৈদৌরবগে রাজনিতিৱালা, মন্ত্রিৱালাশিং ঈশিং ৱাৎলে হায়রুরগা নোংথক্তা য়েংখৎতুনা লৈবদু তোকপীরো, কুইমনখ্রে। নোং মরাং কায়না চুবা মণিপুরনি। নোং মরাং কায়না চুরকপা মতমসিদা ফ্রীদা ওরোরো ঈশিং থাদোকখিদনা ফাজিল্লগা, তুংশিল্লগা থমহৌবা য়াবা লোঙ টর্ম পোলিসি অমুক্তং শিনবীয়ু। তুরেলশিংদা দাম মচা মচা শারগা ঈশিং হেল্লক্লগা থাদোকখিবা, ৱাৎলগনা লেভেল অমগী চাং য়েংলগা ঈশিং থাজিন্দুনা থমহৌবা য়াবা করি করিনো প্লান অমুক্তং তৌরগা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। ঈশিং ৱাৎলক্লগা নোংদা হেক্তা তাইনবগী থবক থাদোকপীয়ু। ফ্রেস ৱাটর লেক নোর্থ ইষ্টকী ওইনসু খ্বাইদগী চাউবা লোক্তাক পাৎ লৈনা লৈনা ঈশিং ৱাৎলেকা হায়বা ৱাসি তাবদা নোকপু নোকচনীংই হায়বা তাই।

হৌখি-হৌখিবা লৈঙাকশিংনা লৌমীশিং ওৎখায়রকপা কুইরক্লে। কুইররোই হার ফংই-ফংদেগী ৱাকৎ অমুক লাক্লগনি। মমাঙগী টর্মগী লৌমী-লোয়শঙগী মন্ত্রিনা হার ৱাৎহল্লোই, মরাং কায়না লৈরে, পীগনি হায়না লাউথোকপীখ্রগা হারগী লান থোকখি। হার বেগ অমখক্কী মী শিবফাও য়াওখিবনি। হন্দক্কী ওইনসু হার মরাং কায়না ফংহনগনি লাউথোকপীখ্রে। কুইররোই ত্রেল্লরদগী ফিল্ম তারকপদা হারগী লান থোরকপ্রা-থোরক্তব্রা য়েংমিন্নসি। অসাম, গুৱাহাটিগী মনাক্ত পৈদুনা লৈহৌবা নুনমাটিদগী কেমিকেল ফর্টিলাইজর ময়ামদু মণিপুরগী কোটাদা চিংলুবদা য়ুরিয়া ৱাৎপগী ৱাদি লৈরোই খল্লি। খঙদ্রে মণিপুরদদি য়ুরিয়া, দাইমন্দগী করবারদা শেল, লুপা চবুন চবুন পেকপা করবারৱালাশিং য়াওরব্রা হংবা য়াবা ৱাহংনি। হার চাইবগী ৱাসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা লৌবুকশিংদা চহী চূপ্পা ঈশিং ফংহন্দবগী মতাং অসিনি। লৈঙাক্নদি পংলাউদা লাউরি দবল ক্রোপিং, ত্রিপল ক্রোপিং, ক্বাদরপল ক্রোপিং, ঈশিংদি পীদনা ওইসু ওইররোইদবদা! দিপার্টমেন্ট য়াম্না লৈবদাইনে, করি কাদা হায়ব্রা, আই এফ সী দি হায়ব্রা মখোয়দা থাদখিবা শেনয়ামদুনবু ঈথৈ লৌখোং, কেনেল শেন্বীদুনা, দাম মচা মচা থিংবীদুনা ঈশিং ৱাত্তনা পীবিরদবু মণিপুরগী লৌউ-শিংউবগী পোখোক শরুক অনী/অহুম চহী খুদিং হেনগৎফম থোক্তবগী ৱা লৈতে। শোমদনা ঈথৈ লৌখোং, কেনেল শেম্বগী শেলদি লাখতা, ক্রোরদা কায়থোকখ্রগা কেনেলসু লৈরমদ্রে, ঈশিংসু চেল্লমদ্রে। টেবলদা, চেদা য়েকপা কেনেল ওইরম্মে। মতাং অসিদা লৈখিদ্রবা অইবা ওজা এলাংবম দিনমনিগী ৱাহৈ মতেক অমা নীংশিংলকই। "শুকলৈ লৈতবা মফম অমদা, শুংশা শাররোইদবা থোং অমা টেবল মথক্তা শারে। ওল্লকপা চহীদা থোং অদু মোরামোৎ তৌনবা শেল কায়থোক্লুবা ঠিকাগী করিগী ইষ্টিমেট শাবা হৌরে।" (অশোয়বা ৱাহৈ খরা য়াওরগসু ঙাকপীগনি)।

নুংঙাইখ্রবজাৎনি তৌনরিবসি জাৎ জাৎনি। হৌজিকপুদি ৱাটর রিসোর্সেস হায়ব্রা ইরিগেসন এন্দ ফ্লদ দিপার্টমেন্ট হায়ব্রা নোংজুথা লাক্লে পোইনু থানি হায়বা য়াই। ফ্লদ কন্ট্রোল হায়বা ৱাহৈ অনী য়াওরি ঈশিং শুংচাও চাওদবা য়াদে, লৌনম্বাল তুরেল তোর্ব্বান নীংখাইহন্দবা য়াদে, ঈশিং চাওহন্নবগীদমক তোর্ব্বান তূমিন্না হুত্তোল্লবসু য়াই। ঈশিং চাওরকপা ঙাইবনি চাওহনবা তাবনি। মদু কন্ট্রোল তৌনবা লুপা ক্রোর ক্রোর কায়থহনবা তাবনি। সিমেন্ট বোরা অহাঙবদা লৈবাক লৈঙোই হাঞ্জিল্লগা ঈশিং থিংবগী ফেসন শোগী ফোটো নম্লগা মীয়ামদা উৎথোক্ত্রবদি দিপার্টমেন্ট অসি লৈরুবগী করি কান্ননি। ফ্লদ - ঈশিং ঈচাওদু কন্ট্রোল তৌজগে ঙাইজবগী ৱানি। হাওসি তৌগে হায়দনা লাই হরাওবগী ৱানি। হাওসি তৌদ্রদি লাই হরাওদ্রবসু য়াইনা হায়বা চাউবা-বাবুগী ফাগি মতেক্তুমসু নীংশিংহল্লি। নোং কন্না চুরক্ত্রবা, ঈশিং চাওহন্দ্রগদি কোয়লাস মথক্তা পুনবা ষণগা মান্নরোইদ্রদো! অদুনা নম্ফুদা ঈশিং চাওহনবা তাবনি।

মীয়াম্না ভোট পীরগা কাখিদুনা এম এল এ/মিনিষ্টর ওইনরিবশিং ঙাইহাক ঙাইহাক্কী, ঐনা কারিঙৈ মতমদা নুংঙাইথোকহৌরগা লোইরে, তুংদা কারকপা কাঙবুনা অমুক তৌজ হৌনি হায়বগী ৱাখলসি থাদোক্ত্রগদি মণিপুর চাওখৎপা শুকঙম ঙল্লরোই। হন্দক্কী মতাং অসি ঐনা য়াম্না শাথীনা ইকায়বীবা ৱাফম অমা লৈরি মদুদি রিটর্নিং ওফিসরনা স্ক্রুটিনি তৌদুনা য়ারে থাগৎতুনা মঙোন্দগী ভোট মশীং হেন্দুনা কাখ্রবশিংগী মথক্তা কেস ফাইল তৌদুনা ফোর্ম ফিলঅপ তৌবদা এ ইগদবদা বি ইশিল্লে লাল্লি, ভোট পোহৌরবা ঐনা এম এল এ ওইগদবনি হায়বা ৱাকৎশিংসিনি। ভোট কাবিরবশিংনসু মীচম মীয়ামগীদমক কখোল্লগা মীয়াম্না শোন্নহৌনবা থবক তৌবীরকউ হায়নীংই। চেঙ কিলো অমদা লুপা ৩দা য়োল্লি হায়রগা মীয়ামদগী চুপখৎপা য়াবা চুপখৎলগা পুবা থাংবা ঙমদ্রবা পোৎতাঙ চৈতাঙগী অৱাবসি কোকহনবা ঙম্বা খরদং থোকপিরকউ। নোং খজিক্তং চুবগা লম্বী সরক, লৈরক ঈশিং থুমহনবা, লমখোপ কাঙবুনা শারিবা য়ূম কৈ মতেক মতেকশিংসি থুগায়দুনা নালা ফজনা পীবিবা ঙম্বা, ইভিক্সন কাঙলোন চুম্না তৌবীবা ঙম্বা চীফ মিনিষ্টর হায়বদু ওইবীয়ু। মীয়াম্না শোয়দনা থাগৎনগনি। নোং খজিক্তং তারকপদা ঈচাও থোকহনবা, ঈকং থা মতমদনা ঈশিংগী কোয়চেন চেন্নবা মণিপুর অমা ওইহল্লগুমসি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

৪) খুন্নাইদা হান্না চৎনরম্বা মরম খঙদোকপদা কান্নবা ৱাফম খরা :- অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌগী সনা হাক্তকতগী য়েৎনবা হৌরকপনা মশু ইবুংঙো চীংথমখোম্বগী সনা হাক্তক্তা হেন্না মপূং ফাহল্লবা মতুংদগী অমুক খরা খরা শেমদোক শাদোক, হাপতোক হাপচিন তৌরকপনা মতুং তারকপা নিংথৌরেল শুথাংশিংনা কনখৎতুনা থম্বদা নত্তনা ইরমদমসিগী খুন্নাইদা অৱাংবা ফিদা পীবদগী হৈনখিদুনা চুহি চাবা খুদুং ইনবগী ৱা-খল্লোন মওংদা লৈরম্বসি মুন্না নৈনরবদি অৱাংবা হোংবা য়াদে খল্লম্বা ফিদা ফম্নবগী মহাম তারক্লোই হায়বা ঙল্লোইদবা মরম/ৱাফম মান্নবা লাইনীং মশেল মরক্তা থোরক্লে হায়না থমজগে। মসিগা মরী লৈননা পন্দবা য়াদবা ফীভমদগী শ্রীল প্রভুপাদ অমদি শ্রীল শ্রীপাদকী ৱাফম খরা অমুক নৈনবগী মথৌ তারক্লি। হিন্দু লাইনীং লীচৎপু মালেমদা পাক শন্না শন্দোক্তুনা মশক খঙহন্নবা অমদি পামহন্নবা হোৎনবদা মথৌ তাই হায়না খন্দুনা ইস্কোন লিংবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হৌদোক্লম্বশিংগী মনুংদা শ্রীল প্রভুপাদ, ৱেষ্ট বেঙ্গোলদগী অচৌবালুচিংবা অমনি। মহাক্না ইরমদমসিদগী হৌখিবা থৌদাম দামোদরনা অমেরিকাগী কার্লিফোর্নিয়াদা পি ঐচ দি তৌদুনা লৈরিঙৈদা দামোদরগী মমান্নবা ডা. রবিন্দ্র প্রটাপ রাওনা দিক্ষাগী মমিং রামানন্দ রাও দাস হায়না মিং ওল্লবা মতুংদা দামোদর মশাসি মণিপুরদীগনি হায়না শ্রীল প্রভুপাদতা শক তাকখি হায়বা পাউদমগী মতাংদা মমাঙগীদা ইজখ্রে। মসিগী মতুংদগী দামোদর মশা ইরুজনিংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা পাঞ্জিক্লবা মওংদা শ্রীল প্রভুপাদতগী দিক্ষা লৌরবা মতুংদা হোৎনজমন্না শ্রীল শ্রীপাদ হায়বা মিংথোল ফংদুনা মালেম শিন্থুংনা ফাওরকখিবনি হায়বসি মীয়াম্না ফজনা খঙনরবা ৱাফমনি। শ্রীল শ্রীপাদ হায়না খঙনরক্লবা দামোদরনা অমুক মথং মথং মালেমগী মফম কয়াদা লৈবা ইস্কোনগী মেম্বর কয়াবুসু দিক্ষা পীবা লৈখ্রবনি। মতাংসিদা ঙহাক্তং লেপমিন্নখিসি।

হিন্দুগী খুন্নাইদা বর্ন ৪ (মরি) থোক্না খাইদোকপদা অনেম অৱাংগী মতুংইন্না - বিপ্র (ব্রাহ্মন) বর্ননা ক্ষত্রিয় বর্নদগী ৱাংবা হেল্লি। ক্ষত্রিয় বর্ননা বৈশ্যবর্নদগী ৱাংবা হেল্লি। শুদ্রবর্ননা খুদিংমক্তগী হেন্না নেমই। হিন্দু জ্যোতিষকী নোর্থ ইষ্টতা চৎনবা/শীজিন্নবা পঞ্জিকা ২ (অনী) হায়বদি বিশুদ্ধ সিদ্ধান্ত পঞ্জিকা অমদি পি এম বাকচির ভাইরেক্টরী অনীসিদা বর্ন ৪সি রাশিগী মতুংইন্না বর্ন চক্রদা অসুম্না পীরি।

| বর্ন | বিশুদ্ধ সিদ্ধান্ত মতে | | | ভাইরেক্টরী মতে | | |
|---|---|---|---|---|---|---|
| বিপ্র বর্ন | মীন | কর্কট | বৃশ্চিক | কর্কট | মীন | বৃশ্চিক |
| ক্ষত্রিয় বর্ন | মেষ | সিংহ | ধনু | সিংহ | তুলা | ধনু |
| বৈশ্য বর্ন | বৃষ | কন্যা | মকর | মিথুন | মেষ | কুম্ভ |
| শুদ্র বর্ন | মিথুন | তুলা | কুম্ভ | বৃষ | মকর | কন্যা |

হিন্দু ইপিক মহাভারতকী মতমদগী বর্ন খায়বগী চৎনবী লাকপসি হৌজিক ফাওবদসু মখোয়গী খুন্নাইদদি মসিগী চৎনলোনচৎসি অদুম লৈরি হায়বা য়াই। অৱাংবা ফুরুপ/কাঙলূপ অমনা খুন্নাইদা ৱাংই হায়না লৌরগা অনেম্বদুনা অদুম খুন্নাইগী থাক্তা কা-খৎপা/ৱাংখৎপা য়াদবগী চৎনবীসি ঐখোয়গী ইরমদমসিদদি মতম অমগী নিংথৌশিংনা মখোয় মখোয়না পাল্লিঙৈদা পঙলিঙৈদা তৌরম্বদু হৌজিক্কী খুন্নাইদদি তপ্পা তপ্পা মমি শামলক্লি হায়বা য়ারে। চপ চানা মীরমদা তৌবা অদুম হায়নদি শুক্তৌ তৌদে হায়বফাও য়াই। মথক্কীসিদা খুদম অমতং ওইনা লৌখৎতুনা খন্নবদা - বিপ্র/ব্রহ্মন বর্ন ওই হায়দুনা মীশক্তু বর্ন মমিংগা মান্ননা হেক্তা লৌবা য়াদে। মরমদি, মী অমগী মীওইপোক্তা হিন্দুগী জ্যোতিষতা - পঞ্জিকা অনীসিদা - মীন, কর্কট, বৃশ্চিক রাশিশিং ওইবা মীওই কয়া অমা লৈ। মখোয়শিং ব্রাহ্মননি হায়না হায়বা য়াদে। বর্ন চক্রদা উৎলিবা রাশিংশিংসিদি - চন্দ্রনা রাশি ১২ লৈবসিগী মনুংদা চাওরাক্না নুমিৎ নীনিগা পুং ৬ কুম্বা খুদিংগী হোং হোংদুনা চৎপনা মী অমা পোকপা মতমগী পুংফমগা চান্নরুবদুনি। মথক্কী রাশিশিংসিদা পোকপা মী অয়াম্বা থোইচৎনবা, অতৈদগী খরা হেল্লি কায়না খঞ্জবা/লৌজবা শাজৎ অমা লৈগদববু খঙহন্নবগী মওংনি হায়না লৌবা য়াই। মসি ওই হায়দুনা খুন্নাইদা অৱাংবা ফিদা পীগদবা নত্তে। অশেংবা ফিদা পীগদবদি মীদুগী পোকপগী শাগৈদুদা নত্তে, মশাদা চেল্লিবা মতিক ময়াইনা লেপকদবনি। মসিগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং/খুদমশিং মখাগী তাঙ্ককশিংগী মকক (পেরাগ্রাফ) তা পীজরক্কনি।

মথক্কী মককসিগী হেক অরোইবদা, মতাংসিদা ঙহাক্তং লেপমিন্নখিসি হায়বদু হৌজিক মখা চথমিন্নরসি। পন্দবা য়াদবা মতাং অমদি ফীভমদগী - মুগল নিংথৌশিংনা মপাঙ্গল কনখৎলকপা মতমদা মতমদুগী হিন্দুশিংবু ওৎ নৈবা হৌরকপদগী মশা হিংনবা মরোমদোম ওইনা মখোয়গী মরমদমশিং থাদোক্লম্লগা মীচেন ওইনা ইরমদম কংলৈপাকসিদা শৈদাংলক্লবা মতুংদা চহী মতম শাংনা কংলৈপাকসিদা লৈরবদগী মৈদিংঙুশিংনা নুংশিবীদুনা ইরমদমসিগী অথাপ্পা মফম কয়াদা লৈবী চনু নিংঙোলশিং কয়াবু মখোয়গী তালোয়শিং ওইনা লৌহন্দুনা য়ূম্নাক শাগৈসু পীবিবদগী মীতৈ/মৈতৈ বামোন হায়না খঙনরকখিবগী মতাংদা ইবা লাইরিক কয়া লৈরি। হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা গৌড় লাইনীং চৎপা হিন্দুশিংগা ইস্কোন হিন্দু লাইনীং চৎপশিংগা পূন্না করিনা করিনো হায়বা পূন্না খঙমিন্নবগী মতাংদগী অমুক ঙহাক লেপখিসি হায়বদুগী মখা চথজরক্কে।

বনমালী দাস (হান্না ময়াংলম্বম বোড কৌরম্মীনসু থেংনজবা) না সঙাই এক্সপ্রেসতা তাঙ্কক নাইনা দামোদরগী পুন্সি ৱারীদা য়ূম্ফম ওইবা ৱারেং 'শক্লোন য়াম্বা শক্তম" ইবদু পারিঙৈ চৈরক্তা সঙাই এক্সপ্রেসকী তাং ২৩/২/২০২২ ইংদা অমুক সনসম বিরেন্দ্র সিংহ কৌবা ইরেংবমদগীনা হৌজিক্না ইস্কোনগী মনাক সঙাইপ্রৌদা লৈ হায়বা অমনা অমুক মাগী তাঙ্কক নাইনা ইবা ৱারেং "ঈচেলগী মমি" ৫৩শুবা তাঙ্কক্তা দামোদরগী মতাংদা ইরম্বদু পাবদা হেন্না নুংঙাইবা ৱাখল ফাওরকখি। মথক্কী ৱারেং অনীসি পারুবদগী হিন্দু লাইনীংগীদা 'ব্রাহ্মন' হায়বসিগী মতাংদনি। অহানবদা, সনসম বীরেন্দ্রগী ৱারেংদা য়াওবা মচং ওইবা অদুগা ব্রাহ্মন হায়বসিগা মরী লৈনবা ৱাফমদি ইং কুমজা ১৯৯৫দা বীরেন্দ্র মশা ওফিসকী ওইবা থৌদাং অমগীদমক ত্রিপুরাগী কোনুং অগরটলাদা লৈরিঙৈদা ত্রিপুরাগী ইস্কোন টেম্পল শাবা হৌগৎলকপদা ঙাইরিবা মোঠ চৌমোহানি হায়বা মফমদুদা ইস্কোনগী সন্দে প্রোগ্রামনি হায়বা ফঙ্কসন অমদা মী ময়াম ওমশিল্লগা পাঙথোক্লম্বা থেংনবদু চংশিল্লুবদা ময়াম মরক্তগী মশা নানবা, টাই পুনবা পর্সোনেলিটি য়াম্না লৈবা নুপা অমনা - চীং লেম্না ফজরবা, ফুল্লৈনবা, মরূ কোকপা, ফিঙাং শেৎপা, চন্দোল-চৱা ফজনা থিনবা, খূৎতা ফুট মঙারোম ফি অঙাংবনা থুংনা য়েৎপা চৈ অমা পায়বা হেক য়েংবদা মীতৈ মচা মানবা নুপা অমনা ইংলিসতা উচারোন শেংনা মাইক্রফোন্দা ঙাঙলিবা নুপাদুদা হংই, "Who is a Bramhan?" মহাক্না (নুপাদুনা) খুম্মী, "The one who knows Brahma (absolute truth) is a Bramhan and one cannot claim as a Bramhan by birth but by knowing Brahma (absolute truth) one can become Bramhan as the son of a Doctor cannot claim as a doctor unless he qualifies to become a Doctor...? অসুম্না খুম্লকপদা তিল্লিবা মীয়ামদুনা ঙক নোম-নোমদুনা তানা-তানা মানা মানা পায়রিবা পেদতা ইশিন্নে। মতাংসি ফাওবদা লৌখৎলে।

অনীশুবদা বনমালীদাসকী ৫৭শুবা ৱারেংদগী মতাং খরা অমুক লৌখৎলগা পূন্না নৈনবদা নুংঙাইনবা ৪শুবা কাখলগী ২শুবা মকক্কী ময়ায়ৱাইদা য়াওবা- 'তাং ৩০/৩/৯৭তা শ্রীল শ্রীপাদনা দীক্ষা পীবগী যজ্ঞ পাঙথোকই। ●